**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-06-2025)**

**ডে (এল)ঃ** প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবা তোক্লসি হায়বা পান্দমদা-মণিপুরদসু ঙসি মালেমগী এনভাইরনমেন্ট নুমিৎ পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী পালন থৌরমগী হীরমনা-'প্লাষ্টিকনা থোকহনবা পোলুসন থিংলসি' হায়বসিনি।

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্ডনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগা পুন্না শিন্দুনা অয়ুক্তা কংলাগী নোংচুপ গেটতা প্লাস্তিক বোট্টল খোমগৎপগী কম্পিতিসন পাঙথোকখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদসু নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। দিপার্টমেন্ট ওফ বাই-কেমেষ্ট্রিনা শিনবা থৌরম অমদা থা অহুম অহুমগী ফোংগদবা বাইও পাথ ৱেজ কৌবা ন্যুজ লেটর অমগী অহানবা চেফোং পুথোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাইতোনদসু হিংমিন্নবা মরুপনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। তেরা লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লবনসু নুমিৎ অসিদা ক্লবকী অকোইবদা উ-চারাশিং থাখি।

রাজ্যগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু মালেমগী এনভাইরনমেন্ট নুমিৎ পাঙথোকখি। কাংপোকপী জিলাগী দামদৈ খৃষ্টান কোলেজতা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা কোলেজ কেম্পসতা উ-চারা কয়া থাখি।

থৌবাল জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস থৌবাল য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা উ-চারা কয়া পাক্তকনা থাখ্রে। নুমিৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা এক পের মা কে নাম কেম্পেইন দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হৌদোক্তুনা উ-থাখি।

জিরিবামদসু পারি-পুরি অথৌবা নিংশিং লুপ জিরিবাম অমদি দিপার্টমেন্ট

ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা নিংশিং খুল বাইও-দাইভর্সিতি পার্কতা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার য়াওনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস জিরিবামনসু উচাথোলদা লৈবা মসিগী ওফিসতা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

তমেংলোং জিলাদা মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎ পাঙথোকপগা লোয়ননা দাইলোং ভিলেজতা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা এক পের মা কে নাম হৌদোকখি। চিয়ুলুৱান ভিলেজতসু রেন ফোরেষ্ট ক্লবকা লোয়ননা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

চান্দেল জিলাদসু চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা জাফৌ বজারদা উ পাক শন্না থাদুনা মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎ পাঙথোকখি। থৌরমদুদা এস.এস. ওলিস, এম.এল.এ. অমসুং জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-লাইশ্রম নন্দকুমারনচিংবা শরুক য়াখি।

কামজোং জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনা শিনদুনা ৱাৰ্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সকী অকোইবদা উ চারা ৩০০ রোম থাখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ইথাইদসু নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। ইথাই দামদা তুরেলশিংদগী তাউথরকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং খোমগৎপগী থবকশিং পাঙথোকখি। মসিগী মতাংদা ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাউমীগী পাউদম অমা--

বি.জে.পি. থৌবালনা শিনদুনা হৈরোক কেন্দ্রগী নোংপোক লৌরেম্বমদা উ চারাশিং থাদুনা মালেমগী ইনভাইরোনমেন্ট নুমিৎ পাঙথোকখি।

ৱাৰ্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী থৌরম অমসুং লোংমাই নেচর ক্লব লিংখৎখিবগী তরেৎশুবা কুমওন থৌরম ঙসি লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা বেপটিস চর্চতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

নুমিৎ অসি এন.জি. মেমোরিএল হোল-লোংমাই বজার নোনেদসু

পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী ওইবা খুদক্কী লাই য়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখি।

নোর্থ ইষ্টর্ন ইনভাইরোনমেন্টেল প্রোটেক্সন কমিতি-থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শিনদুনা নোংপোক সেকমাই সিখোঙ বজারদা ৱাৰ্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী মরী লৈননা ঙসিদগী পোষ্টর কেম্পেইন হৌদোকখ্রে। ইঙৌরোক তুরেল অমসুং কক ময়াই তুরেল কন্নবা তুরেল অনি অসিগী ঈশিং চারিবা খুল ১৪ না পুল্লগা শেন্বা কমিতি অসিনা ঙসি নোংপোক সেকমাইদা লৈবা নেসা গ্রাউন্দগী অকোইবা উহৈ পানবা পাম্বীশিং য়াওনা উ চারা কয়ামরুম থাখি। মসিগী মথক্তা চিং-পাৎ, তুরেল কনসি হায়বা পোষ্টর কেম্পেইনসু পাঙথোকখি।

নুমিৎ পালন অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং ফোরেষ্ট রেঞ্জকী মখাদা লৈবা কাং-ঙা চিংদসু পাঙথোকখি। মদুদা, এম.এল.এ. কে.ঐচ. ইবোমচা, ৮৬ শুবা বটালিয়ন সি.আর.পি.এফকী কম্মান্দেন্টনচিংবনা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

মনিপুর ইনোভেসন সোসাইতিনসু মফম কয়াদা নুমিৎ পালন অসি পাঙথোকখি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতি লিংখৎখিবগী চহি ৪৫ শুবা কুমওন থৌরমগা লোয়ননা ৱাৰ্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টকী থৌরম ঙসি য়ুনিভরসিতি অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মনিপুর য়ুনিভরসিতি মেদিয়া এৱার্ড ২০২৫ সু অহানবা ওইনা লান্থোকখি।

ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াগী ওইনা এস.কে. টি.ভি. (ন্যুজ) কী চীফ রিপোর্টর-ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ, প্রিন্ট মেদিয়াগী ওইনা হুইয়েন লানপাউগী-সব এদিটর-বিজোয় লাইশ্রমদা মেদিয়া এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমখি। মনা অসিদা সাইটেসন অমদি শেল ওইনা লুপা লিশিং তরা য়াওরি।

**এক পের (এল)ঃ** রাজ্যগী এদুকেসন (এস), সমগ্রা শিক্ষা মনিপুর অমসুং ফোরেষ্ট বিভাগকা পুন্না খুৎশমদুনা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা চথ্থগদবা

এক পের মা কে নাম কেম্পেইন টু পোইন্ট জিরো ঙসি রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. সিংহনা হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংদুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদা উ চারা লিশিং মঙা হেন্না থাখি। কেম্পেইন অসিগী মনুংদা মনিপুর শিনবা থুংবদা উ চারা কোতি তরা থানবা পান্দম থল্লি। চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংদুনা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগী ৱাশক লৌখি। কেম্পেইন অদুদা ইবোতোনস্না গালর্স হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা ঙসিগী থৌরম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি অমসুং পি.সি.সি.এফ-অনুরাগ ভাজপায়, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ-অরুন কুমার সিনহা অমদি অতৈ ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

কেম্পেইন অসি মীয়ামগী খোঙজং অমা ওইহনবগা লোয়ননা ঐখোয় ঐখোয়গী ইমা অমসুং মালেম পৃথিবী অসিদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা উ চারা অমমম থামীন্নসি হায়রি।

এক পের, মা কে নাম কেম্পেইনগী অনিশুবা তাঙ্কক সেনাপতি জিলাদা, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলেনা হৌদোকখ্রে।

সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা সকলিম খৃষ্টান ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা উ চারা লিশিং ৩,১৫০ হেন্না থাখি।

উখ্রুল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা উখ্রুল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং জোনেল এদুকেসন ওফিসকা খুৎশমদুনা এক পের, মা কে নাম কেম্পেইনগী অনিশুবা তাঙ্কক মিণি সেক্রেটরিদা পাঙথোকখি। কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা জিলা শিনবা থুংবদা উ চারা লিশিং ১৬ রোম থানবা পান্দম থমলি। থৌরম অসিদা জিলা অসিগী স্কুল ২২৫ রোম শরুক য়াগনি।

কামজোং জিলাদসু কেম্পেইন অসি দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিস অমসুং জেট. ই.ও. কামজোংনা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী স্কুল ১৫ গী কেম্পসতা উ চারা লিশিং ১,৫০০ হেন্না থাখি।

চান্দেল জিলাদসু কেম্পেইন অসিগী মখাদা জিলা অসিগী স্কুল ২০০ গী মথক্তা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা উ চারা লিশিং ১৬ থাননবা কেম্পেইন ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এল. নন্দাকুমারনা হৌদোকখি।

**ঈচাও (এল)**ঃ খা-নোংচুপ্তগী হৌরকখিবা কুমগী নোংনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাউ থোকহনখ্রবা মতুং হৌজিকসু মফম কয়া ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী মফম কয়াদা লৈবা য়ুমশিং হৌজিকসু ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি। ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না থকবা ঈশিং ফংদবা অমসুং মৈ লাক্তবনা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

মরক অসিদা, ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী মফম কয়াদা অখাক অরাও তৌগনি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাদা ইমুং অমগী অঙাং অহুম ইরাকদুনা লৈখিদ্রে। ঐখোয়গী ককচিং পাউমী-নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা হায়-লৈখিদ্রবা অঙাং অহুম অদু মচিন-মনাওনি। মখোয় ৱাবগাই কেন্দ্রগী মনুং চনবা মন্তক খুলদগীনি। লৈখিদ্রবশিং অদু নুপীমচা অমা অমসুং নুপামচা অনিনি। মখোয়গী মনুংদা চহি তরুক্তা ঙায়রিবা অঙাং য়াওরি। মখোয় লৌবুক্কী মফম অমদা তৌথোক্তুনা থম্বা কোম অমদা তাশিনবদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

**জেনিমস (এল)ঃ** মনিপুরদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা জেনিমসকী অকোইবা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখিবনা মৈনা চিংবনচিংবগী খুদোংথিবশিং থোরকপা য়াই হায়রি।

জেনিমসকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ত্রান্সফোমর অমসুং ইলেক্ট্রিক্ট কনেক্সন কয়া য়ামা ঈচাও অসিনা মাঙ তাকহল্লেবগে হায়বদু হয়েংদগী য়েংশিনবা হৌরগনি। মরম অদুনা, মীয়াম অমসুং হোস্পিতাল অসিগী ষ্টাফশিংনা ইলেক্ট্রিক্ট পোষ্ট নৎত্রগা ত্রান্সফোমর লৈবা ফুট মরিনা কোনবা মফমশিং চংবীদনবা খঙহল্লক্লি।

**তমেংলোং (এল) ঃ** ভিক্সিত ক্রিসি সংক্লপ অভিয়ান কেম্পেইনগী মখাদা আই.সি.এ.আর. ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র তমেংলোংনা শিনদুনা নোনে অমসুং তমেংলোং জিলাগী লৌমীশিংবু কেম্পেইন অসিগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবা থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা লৌমীশিংদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং, অনৌবা মখলগী লৌউ পথাপ, সোইল হেলথ কার্ড, মহৌশাগী ওইবা লৌউ-পথাপ, হোংলক্লিবা অইং আশাগী খলগা চান্নবা মওংদা লৌউ পথাপ শিজিন্নদুনা পোৎথোক হেন্না পুথোকবনি।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা আই.সি.এ.আর, কে.ভি.কে. তমেংলোংগী মীহুৎ কাংবুশিংনা জিলা অনি অসিগী খুল ৬৩ গী লৌমী লিশিং ৫,৮২৭ উন্নখ্রে।

থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা লৌউ শিংউ অমসুং এলাইট সেক্তরশিং হেন্না চাউখৎহন্নবা পান্দমদা ভিক্সিত ক্রিসি সংক্লপ অভিয়ান পাঙথোক্লি। আই.সি.এ.আর, সি.এ.য়ু অমসুং কে.ভি.কেগী ষ্টাফশিংনা জিলা অনি অসিগী খুঙ্গং ৯ গী লৌমী লিশিং ১,২৭১ উন্নখ্রে। ঙসি মফম কয়াদা উ চারা ৪৫০ হেন্না

থাখি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী থমাপোকপী এরিয়াদা পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা টিম অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা থমাপোকপী পতোন এরিয়াদা লোৎতুনা থল্লম্বা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না-ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদগী মনুংদা ষ্টেন মেছিনগন অমা, এস.এল.আর. অমা, টুয়েল্ব বোল্ট পিষ্টোল অনি, হেন্দ গ্রেনেদ মরি অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী লৌউ শিংউ অমসুং ওইল পাম মীসন সেলগী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচরেল ওফিস, থৌবাল-ককচিং অমসুং পটাঞ্জলি ফুদস লিমিটেদনা পুন্না শিনদুনা ওইল পাম ত্রি কলটিভেসনগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবা অমসুং ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোরমেসন সেন্টর, ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অদুদা থৌবাল, ককচিং অমসুং চান্দেল জিলাদগী লাকপা লৌমীশিংনা শরুক য়াখি।

**কুমওন (এল)ঃ** সোরোকখাইবম ললিত (নত্যা রতা) গী ১৩৩ শুবা মপোক কুমওন ঙসি সোরোকখাইবম ললিত মেমোরিএল ত্রষ্টনা শিনদুনা এম.দি.য়ূ. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ত্রান্সলেসনদা সাহিত্য একাডমী মনা ফংখ্রবা সোইবম ইন্দ্রকুমার, সোরোকখাইবম গৌতম সিংহ, দি.আই.জি. মনিপুর পুলিস, প্রসিদেন্ট মেদল ফোর দিসতিংগুইস সার্ভিস ফংখ্রবা সোরোকখাইবম রুদ্র নরায়ন সিংহ, ভোকেলদা বিশারত ফংখ্রবা ডা: সোরোকখাইবম জগিন্দ্র সিংহ অমসুং করমা যোগী মনা ফংখবা সোভনা সোরোকখাইবমবু তরামা ওকখি।

**এইমস (এল)ঃ** অপুনবা ইরৈবাক্কী মহৈরোই সিনপাং লুপ (এইমস) ময়াই লোইশঙগী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবা ওফিস বিয়ররশিং লৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**তমেংলোং(এল)**ঃ স্মোল টাউন্দ কমিতি, এ.দি.সি. তমেংলোংনা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরসতা য়োল্লস্বা মতম হেল্লবা পোৎলমশিং মাঙ তাকহনখ্রে।

ঙরাং চগ্থখিবা দ্রাইব অমদা মতম হেল্লবা চান্ন-থকবা পোৎলমশিং অদু য়োল্লস্বা থেংনখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী সরকার অসি মীনুংশি অমসুং লাইরবগী য়াইফনবদা কৎথোক্লবা সরকারনি হায়না শিংথাখ্রে।

কেন্দ্রগী এন.দি.এ. সরকারনা থবক পায়রকপা চহি ১১ মপুং ফারকপদা শ্রী মোদিনা লাইরবা মীয়ামগী লাইরবা কোকহন্নবা কেন্দ্রনা লৌখৎলিবা শিংথানিংঙাই ওইবা থবকশিং পনখি অমসুং সরকার অসিনা শক্তি পীবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং পুন্না চাউখৎমীনবদা মীৎয়েং থমলি হায়খি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা পি.এম. অৱাস য়োজনা, পি.এম. উজৱালা য়োজনা, জনধন য়োজনা অমসুং আয়ুসমান ভারতনচিংবা থৌরাংশিংনা য়ুম-কৈ লৈহনবা, মৈখু থোক্তবা চাকথোং গ্যাস ফংহনবা, বেঙ্কিং অমসুং অনা লায়েংগী থবক ফগৎহল্লে হায়না ইরি।

**চৌহানঃ** ঃ ভিক্সিত ক্রিসি সংক্লপ অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাতিয়ালাগী রাজপুরাদা পাঙথোকপা কিষান চৌপাল থৌরম অমদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা লৌমীশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-অভিয়ান অসি শেল ইচং চংহন্দনা পোৎথোক পুথোকপা

হেনগৎহন্নবা অমসুং হেন্না শেন্দোং লৈহন্নবনি। মন্ত্রিনা হায়-ভিক্সিত ক্রিসি সংক্লপ অভিয়ানগী মখাদা বৈগ্যানিকশিংনা লৌফমশিংদা চৎতুনা লৌমীশিংগা ৱারী শান্নদুনা মখোয়গী লৈহাও অমসুং অকোইবগা মরী লৈনবা সমস্যাশিং খন্নদুনা হৌজিক্কী ওইরক্লিবা অইং আশাগা চান্নবা মহৈ মরোংশিং থানবা তাকপী তন্বীখি। লৌমী খরনা মফম খরদা মরু মরাংশিং লৌফমশিংদা হকথেংননা থাবগী থবক চত্থরিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মসিনা লৌমীশিংদা ঈশিং কনবগী অমসুং হেন্না ৱাদনা মহৈ চাবা ঙমগনি।